# লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপগী তঙাইফদবা

- ডা. ৱাইখোম জিতেন -

লৌমী ইচিল-ইনাওশিংনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্লবা হোৎনবদা চঙবা মচাকশিংগী মনুংদা লৈবাক লৈহাও চেনবা লৌফম হায়বসিসু অমনি। লৌফমশিং অসিদগী হৌরিবা পান্দ্বীশিং মপূং মরৈ ফানা চাউদুনা পোত্থোক পুথোক্লবগীদমক মখোয়না মথৌ তাবা মচীঞ্জাকশিং লৌফমদগী লৌথোকখি। অমরোমদা অমুক পান্দ্বী অমনা শাহৌ ফনা মপূং মরৈ ফাবা হৌনবগীদমক চান্নবা অশিন-অয়াক অমদি পান্দ্বী অদুনা হেন্না মথৌ তাবা মচীঞ্জাকশিং ফংহনবা হায়বসি তঙাইফদে। মরম অদুনা লৌফম অদুগী অশিন-অয়াক, পান্দ্বীগী মচীঞ্জাক্কী মখল অমদি চাং খঙবিরগা চান্নবা মহৈ-মরোং খনবীদুনা থাবীরবদি শেন্থোক হেন্না লৈহল্লি। পান্দ্বীশিংনা লৌফমদগী লেপ্পা লৈতনা লৌথোক্লিবা মখোয়গী মচীঞ্জাকশিং অমদি ঐখোয়না লৌফম অদুদা পীরিবা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাকশিং অসিনা মরম ওইদুনা লৌফমগী হান্না ওইরম্বা ফীভমদগী অওনবা কয়া অমা পুরকই। মরম অদুনা লৌফম অদুদা পান্দ্বীশিংনা মথৌ তাবা মচীঞ্জাক মখল শুনা অমদি চাং চানা য়াওরিব্রা খঙদোক্লবা, লৌফম অদুবু লৈহাও লৈবা লৌফম ওইহনবদা শোয়দনা য়াওদবা য়াদ্রবা মীৎনা উবা অমদি উদবা অহিংবা জীব কয়াগী মচীঞ্জাক ওইগদবা অহিংবা পোৎলম/জীবশিংনা শিরগা পথুৎ-পুমথরগা ওইরকপা ওর্গানিক মেট্টর/ওর্গানিক কার্বোন য়াওবগী চাং খঙদোক্লবা, লৌফম অদুদা পান্দ্বী মখল অসি থাবদা পক্লে/পক্লদে লেপ্পদা অচৌবা থৌদাং য়ারিবা লৌফম অদুগী অশিন-অয়াক খঙদোক্লবগীদমক লৌফম অদুগী লৈবাক লৈশাবু চাংয়েং শঙদা চাংয়েং তৌথোকপবু সোইল টেষ্টিং (লৈবাক লৈহাও চাংয়েং) তৌবা কৌই। তশেংনা হায়রবদা পান্দ্বী অমনা হৌবদা ওইফম থোকপা ফীভম অমদি মচীঞ্জাক্কী খল কায়দনা লৈরিব্রা হায়বদু খঙদোক্লবা চাংয়েং তৌথোকপনি। হৌজিক্কী মতমদদি লৌউ-শিংউবগী শিনফম অসি পায়খৎপদা পান্দ্বীশিংদা মচীঞ্জাক পীনবগীদমক অমদি ফংফম থোকপা পোত্থোক অদু পুথোক্লবগীদমক তৌদবা য়াদ্রবা থবক অমা ওইরে।

**লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌবগী পান্দম :-**

১) লৌফম অদুগী লৈহাওগী চাং খঙদোক্তুনা করম করম্বা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাকশিং কয়া য়াম্না য়াওরি অমদি পান্দ্বীশিংনা মথৌ তাবা চাং অদু পীবা ঙম্লিব্রা/ঙমদব্রা খঙদোকপনি।

২) লৌফম অদু অশিনবা/অয়াকপনা মরম ওইদুনা পান্দ্বীশিংনা হৌবদা খুদোং চাদবা মফম অমা ওইব্রা খঙদোকপনি।

৩) খেন্নবা পান্দ্বী মখলশিংদা চাংয়েংগী ফল অদু য়েংলগা ষন্থি-ষণযুং অমদি খূৎশেমগী হার কয়া য়াম্না চাইগদবগে হায়বদু খঙদোক্লবনি।

৪) অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎ মোৎশিন্দনবগীদমক অহেনবা খূৎশেমগী হার শীজিন্নদনবনি।

৫) করম্বা পান্দ্বী মখলশিং ঐখোয়গী লৌফমগা হেন্না চান্নবগে খঙদোক্লবনি।

৬) লিশাং শিংনা লৌউবা য়াবা মফম অমা ওইহনগদবনি।

**করিগীদমক লৈবাক-লৈহাও চাংয়েং তৌগদৌরিবনো?**

ক) চাং নাইনা, মতম চানা চাংয়েং তৌথোকপনা লৌফম অদুগী লৈবাক অসি মশা শোকচিল্লে/শোকচিন্দ্রি হায়বদু খঙবা ঙম্বগা লোয়ননা মতম চানা পায়খৎফম থোকপা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎপা ঙমহল্লি। মশা শোকচিল্লক্কদৌরবা লৌফম্বু মতম চানা লায়েংহৌবনা মশা শোকচিনখ্রবা মতুংদা হান্নগী ফীভমদা হন্থহন্নবা হোৎনবদগী হেন্না লায়। লৈহাও চেনবা লৌফম হায়বসি তোঙান তোঙানবা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাক মখলশিংনা খল চানা য়াওবগা লোয়ননা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাকশিং অসিবু পান্দ্বীনা লায়না ফংহনবদা মতেং পাংবা অহিংবা জীবশিং মতিক চানা য়াওবা অমদি লৈবাক্কী লৈরিকশিং অদু পান্দ্বীনা শাহৌ ফনা হৌবদা মতেং পাংবা ঙম্বা মওং ওইগদবনি। হায়রিবশিং অসি খঙদোক্কে হায়রবদি চাংয়েং তৌথোক্তবা য়াদে অমদি ফংলিবা ফল অদুগী মতুংইন্না পায়খৎফম থোকপা থৌরাংশিং পায়খৎলবতদা লৌফম অদুগী লৈবাক লৈহাও ফগৎহনবা ঙমগেদৌরিবনি।

খ) চাংয়েংগী ফল অদুনা লৌফম অদুগী লৈবাক্লা ঐখোয়না তাগদৌরিবা পান্দ্বীশিং অদুদা পান্দ্বীনা মথৌ তাবা মচীঞ্জাক কয়া য়াম্না পীবা ঙমগনি খঙদোক্লবা মতুংদা ঐখোয়না পীগদৌরিবা মচীঞ্জাকশিং অদু কদায় ফাওবগী চাংদা ঐখোয়না কান্নবা পীবা ঙমগনি য়েংলগা করম-করম্বা মচীঞ্জাকশিং কয়া য়াম্না চাইগনি লেপথোক্লগা হার চাইরবদি মরম চাদনা অহেনবা হার লৈবদা তিংগদবা শেলদগী কনবা ঙমগনি। অমরোমদা অমুক লৌফম অদুদা চাং য়াম্না নেম্না লৈরবা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাক মখল অমবু মাগী পীফম থোকপা চাং অদু য়ৌনা পীদবীদা অতোপ্পা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাকশিং ফনা য়াম্না চাইরবসু পোত্থোক হেনগৎহনবা ঙম্লোই। অসুম তৌবনা লৌমীশিংবু শেন্থোক হন্থহনগনি। মরম অদুনা চাইফম থোকপা হারগী মখল অমদি চাং চানা চাইবনা হার লৈবদা চঙগদবা অহেনবা শেনফম হন্থহন্দুনা শেন্দোং হেনগৎহল্লি।

গ) চাংয়েং তৌদনা হার পঙচাইদা চাইবনা লৌফম অদুদা লৈগদবা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাক্কী ওইফম থোকপা খল কায়রক্তুনা লৌফম অদুগী লৈহাও লৈবগী চাং হন্থহল্লি। অহেনবা পোত্থোক পুথোক্লবগী পান্দমদা খূৎশেমগী হার য়াম্না চাইবনা লৌফম অদুগী হান্নদগী লৈবা অশিন-অয়াক্কী খলদা কায়হল্লক্তুনা হেন্না শিনবা/য়াকপা লৌফম ওইহল্লকই। অসুম্না লিশাং শিংনা চথুরকপনা লৌফম অদুদা লৈগদবা লৈহাও চেনহনবদা মতেং পাংবা মীৎনা উবা/উদবা অহিংবা জীবশিংগী মশীং হন্থহল্লক্তুনা লৈহাও লৈতবা লৌফম ওইহল্লকই। লৈবাক লৈহাও কন্নবগীদমক লৌমীশিংনা পায়খৎফম থোকপা থৌরাং পায়খৎপা হায়বসি লৈহাও চাংয়েং তৌদনদি খঙবা ঙম্লোই।

ঘ) লৈহাও চেনবা লৌফম লৈবা লৌমীশিংতনা পোৎথোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙমগদৌরিবনি ।। পোত্থোক মরাং কায়না পুথোকপা ঙম্বা লৌফমনি নত্তে হায়বদু চাংয়েং তৌথোক্লবতদা খঙবা ঙমগনি।।

লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপসিনা লৌমী অদু খক্তদা কান্নবা পীবতা নত্তনা ঐখোয়গী অকোয়বগী খলদসু য়াম্না কান্নহল্লি। চাংয়েং তৌথোক্লগা ফংবা ফলগী মতুংইন্না পান্দ্বীশিংদা মচীঞ্জাক পীরবদি ঐখোয়না পীরিবা পান্দ্বীগী মচীঞ্জাকশিং অদু অরেম্বদা মাঙবগী চাং য়াম্না হন্থহল্লি। অসুম্না লৌউ-শিংউবগী শিনফম্না মরম ওইরগা ঐখোয়গী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎতা মোৎশিনবগী চাং অসি লৈবাক লৈহাও তৌথোকপনা হন্থহল্লি।

অমরোমদা অমুক পান্দ্বীশিং হাপফম থোকপা চাং অদু য়ৌনা হাপত্রগনা পান্দ্বীশিং শাহৌ থিলহল্লি অমদি মহৈ লোকখ্রগা পান্দ্বীগী লেমহৌখাক মরাং কায়না থল্লমদবনা মরম ওইদুনা ঈশিং অমসুং নুংশিৎনা লৈবাক লৈহাও মাঙহনবদা মতেং পাংই। অমরোমদা অমুক হার খল কায়না চাইবনা লৌফম অদু লায়না-তীলনা তোয়না তাহন্দুনা লায়না অমদি তীলনাগী হীদাক য়াম্না শীজিন্নদবা য়াদবদগী অকোয়বগী ঈশিং নুংশিৎনা তীল/লায়না হীদাক য়াম্না য়াওহন্দুনা মীওইবা অমদি অতোপ্পা জীবশিংদা অচৌবা চৈথেং পী।

লৌউ শিংউবগী লম্দা পোত্থোক পুথোক্লবা হোৎনবদা লৈবাক লৈহাওনা লৌরিবা থৌদাং অসি চাদা ৬০ রোম ওই। মরম অদুনা পোত্থোক মরাং কায়না পুথোক্তুনা মীপূম তিংনা চাবা কোন্ননবা পোত্থোক পুথোক্লবগীদমক অমদি লৌমীশিংনা শেন্থোক হেনগৎহন্নবগীদমক মতম মতমগী চাং নাইনা লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীয়ু। লৈহাও ফনা থমদুনা মীওইবা অমদি লেংলি পাল্লিবা পূম্বা কুইনা হিংবা য়াবা মফম অমা ওইনবগীদমক লৈবাক লৈহাও চাংয়েং তৌথোকপীয়ু। ●

# তিঞ্জং-কায়জংদনা মোরোক থাবা

- লোংজম বোরিস -

মোরোক হায়বা পান্দ্বী মখল অসি এঞ্জাং ওইনা চানবা খক্তা নত্তনা মরূ-মরাং মচল (spice) ওইনা শীজিন্নবা পান্দ্বী মখল অমনি। মরূ ওইনা থানবা মোরোক মখলশিংগী মনুংদা Capsicum annum, Capsicum frutescens, C. Chinese অমদি C.baccatum হায়রিবশিং অসিনি। মোরোক মায় পাক্লা থাবদা লায়নাশিংনা চাউনা অপনবা পীদুনা মাঙহন তাকহল্লি।

মোরোক্তা তাগনবা মরূ ওইবা লায়নাশিং :

১) Bacterial wilt
২) Viral disease
৩) Fusarium wilt
৪) Fugal root rot disease
৫) Powdery mildew
৬) Fruit rot /Anthracnose

এ) বেক্টিরিয়ানা থোকহনবা লায়নাশিং ;-

**১) Bacterial wilt**

লায়না অসিনা শোকহল্লবা পান্দ্বীগী মনাশিং লেকথরকপা অমদি পান্দ্বীগী মশা অসি নোংমা/নীনীগী মনুংদা খুইথরকই। পান্দ্বীগী মউ মনুংদা মুশিনবা (vascular discoloration) থেংনগনি। লায়না অসি অশাবা মতমদনা হেন্না শাথীনা তাগল্লি।

ঙাকথোক্লবা পাম্বৈশিং :-

- লায়না তাগন্দবা ভেরাইটিশিং থাবীবা।
- লায়না অসিনা শোকহল্লবা পান্দ্বীশিং লাপ্পা হুন্দোক্তুনা মাঙহনবীবা।
- বাইও কন্ট্রোল এজেন্টশিং শীজিন্নবনসু লায়না অসি লাকশিনবদা চাউনা মতেং পাংই ।

ভাইরসনা থোকহনবা লায়নাদিশং :-

**১) Chilli leaf curl disease**

লায়না অসি chilli leaf curl virus হায়রিবা ভাইরস মখল অসিনা থোকহনবা লায়না অমনি। লায়নাসিনা শোকহল্লবা পান্দ্বীগী মনাশিং মথকলোমদা কোনখৎলকপা, মনাশিং পীকশিল্লকপা থোকহল্লি। পান্দ্বীগী মতাংশিং তেনশিল্লকপা, মনা নাপু মচু ওইরকপা য়াই। শাথীনা শোকহল্লবা পান্দ্বীশিংদি মপান কেনবা ফাওবা থোকহল্লি।

**২) Necrosis virus disease**

লায়না মখল অসি থ্রিপস হায়রিবা তীল মখল অসিনা শন্দোকই। লায়না অসিনা নারবা পান্দ্বীশিং নাপু মচুগী দাগ মনাদা তাবা থেংনগনি। মনাগী শিংলি (veins) শিংদা মচু শিথবনচিংবা থোকহল্লি। পান্দ্বীগী ময়োন অনৌবশিং শিবা অমদি মনাশিং খুইজিনবা হায়রিবশিং অসি লায়না অসিনা তারবা পান্দ্বীগী লায়ওং শিংনি।

***ভাইরেল দিজিজশিং লাকশিন্নবা থৌরাং :-***

- লায়না চেন্দবা মরূশিং শীজিন্নবা।
- ঙন্না মরূ হুন্দুনা চারা শেন্নগা থাবীবনা তীল ইনবগী চাং হন্থহল্লি।
- Imidacloprid মরূ কেজি অমদা গ্রাম ৫-১০গী চাংদা তোৎতুনা হুনবীবা।
- চারা শেন্লিবা মফমশিং তীল চঙবা ঙমদবা নেট (কাংখল) না কুপশিনবীবা।
- চারা শেন্লিবা মফমশিংদা তীল ইন্দনবা acephate@1g/litre নুমিৎ ১৫নি কান্নরগা কাপ্পীবা য়াই।
- লিংথোক্লবা মতুংদা imidacloprid নৎত্রগা acephate নুমিৎ ১৫নি কান্নহল্লগা কাপথোকপীরবদি তীলশিং নীংথিনা লাকশিনবা ঙমগনি ।

কোকফাই-শুজানা থোকহনবা লায়নাশিং :-

১) Fusarium wilt - লায়না মখল অসি মোরোক চারা অমদি পান্দ্বীনা চাউরক্লবা মতমদা নাবা থেংনৈ। লিংথোক্লবা মতুং হাপ্তা ৩/৪গী মনুংদা পান্দ্বীগী মনা নাপু মচু চঙদুনা খুইথরকপা অমদি মতম খরা লৈরগা পান্দ্বী শিবা থোকহল্লি।

*ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ খরা :-*

- নাইট্রোজেন য়াওবা হার কা হেন্না শীজিন্নদবা।
- নাপীশিং মাঙহনবীবা।
- লায়না অসিনা তোয়না নাবা মফম ওইরবদি পান্দ্বীশিং ফুক্তৎতুনা মাঙহনবীবা।
- লৈহাওদা carbendazim/Benomyl/thiophanate methyl @0.2-0.3% হাপ্পীবা।
- Biological control nursery অমদি লিংথোক্লবা মরূদা Trichoderma @50g/m2 ঈশিংগা য়ান্নরগা চাইবীবা য়াই।

**২) Fungal root rot disease**

লায়না মখল অসি কোকফাই-শুজা মখল খরনা থোকহনবনি। লায়না অসিনা নারবা চারাদি থুনা শিগল্লি। মনাশিং কেনবা অমদি চাউজন থিবা থোকহল্লি। পান্দ্বীগী মরাশিং খুইজিনবা অমদি কঙবনচিংবা থোকহল্লি।

*ঙাকথোক্লবা পাম্বৈ খরা :*

- Trichoderma নৎত্রগা Bacillus শীজিন্নদুনা মরূশিং তোৎপীবা @10g/Kg seed.
- লৈবাক্কী লৈহাও তাবা মফমশিংদা tebuconazole@0.1% লিংথোক্লবা মতুং নুমিৎ ৭-১০নিগী মতুংদা চাইথোকপীবা।
- ঈশিং য়াম্না কা হেন্না চাইবা অমদি থারিবা মফমদা ঈশিং চনবনা লায়নাশিং তাবগী চাং কা হেল্লি। ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৪ গী ৱাহং

১) **“শ্রীশ্রী গৌর গোবিন্দ থৌরম শৈরেং”** (নট ঈশৈ), অহানবা শরুক - হায়রিবা লাইরিক অসি কনানা ইবগে?

২) **“নেটৱার্ক ফংদবা”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো? করম্বা মখলগী লাইরিক্নো?

৩) **“লাহোর উদ্রবা মখোয়দি মীওইপোক নৎত্রবগুম্বনি”** হায়না মিংথোনবা লাইরিক অসি লোল অমদগী মণিপুরীদা হন্দোকপা লাইরিক্নি। মণিপুরীদা হন্দোক্লিবা অসি কনাননো?

৪) **“ঙমখৈদদি থৱায়শিংনা**
**অঙাঙবা লৈ ওইনা শাৎলি**
**হেকই অঙাংশিংনা নীংতম্বা নুমিৎতা...।।”**
শৈরেং মতেক অসি শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোরকপনি। অইবা অসি কনানো? শৈরেং অসি য়াওরিবা লাইরিক অদুগী মমিং করিনো?

৫) **“হৌরকফম”** হায়রিবা লাইরিক অসি করম্বা মখলগী লাইরিক্নো? অইবগী মমিং হায়য়ু?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ৩০, নিংথৌকাবা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩গী অচুম্বা পাউখুম থাবীরকখিবশিংদি*

১) মাইবম কাংজাম্বা মৈতৈ, লোইতাং খুনৌ মনীং লৈকায় - (২,৩,৪)
২) কে ঐচ তাতোন, ঙাইখোং খুলেন মনীং লৈকায় - (২,৩,৪)
৩) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, থাংমৈবন্দ থাও কমপ্লেক্স - (২,৩,৪)
৪) হিজম অজেম, পাৎশোই পার্ট ৪ লাই হরাওবুং মনাক - (২,৩,৪)
৫) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় - (২,৩,৪)
৬) রাজকুমার গেরীন, পুরানা রাজবারি নোংমৈবুং - (২,৩,৪)
***৭) অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায় - (১,২,৩,৪)***
৮) মাইস্নাম বুধ, চীংঙামখা মাইস্নাম লৈকায় - (২,৩,৪)

*হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০৩গী ৱিন্নর*

***অনন্দকুমার খুঞ্জাময়ূম, তাওথোং অয়ুংবা ময়ায় লৈকায়***

**লিটরেরি ক্যুইজ ১০৩গী শেলগী মনা অসি ৱিন্নর ওইরবা মীওই অসিগী বেঙ্ক একাউন্টতা ওইনা হাপচিঞ্জরগনি।**

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৩গী পাউখুম

১) **“কবি অমগী পূন্সি ৱারী”** হায়না মিংথোনবা ৱারীমচা অসি শক্লাইরবা অইবা অমগী ৱারীমচাগী লাইরিক্কী মনুংদা য়াওবা ৱারীমচা অমগী মমিংনি। ৱারীমচা অসি য়াওরিবা লাইরিক্তুগী মমিং করি কৌবগে অমদি অইবা অসি কনানো?
**:- লাইরিক্কী মমিং - থম্মোয়গী মরী, অইবা - মাইবম নবকিশোর সিংহ, অহানবা ফোংবা : ওগষ্ট ১২, ১০১৭।**

২) **“মণিপুরগী শুমাং লীলা অমসুং থিয়েটর”** হায়বা লাইরিক অসি কনানা ইবনো? **:- অইবা- শ্রী অয়েকপম শ্যামসুন্দর সিংহ, অনীশুবা খূৎনম : ২০১৪।**

৩) "Bard's Last Litany" হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল অইবা কনাগী করি লোলগী লাইরিক্তুগী কনানা ইংরাজিদা হন্দোকপগে? **:- ওরিজিনেল অইবা - অশাংবম মিনকেতন সিংহ, লাইরিক্কী মমিং - অশৈবগী নিত্যাইপোদ, ইংরাজিদা হন্দোকপা - এল বিরেন্দ্রকুমার শর্ম্মা, ফর্ষ্ট পব্লিশ : ২০২৩।**

৪) **“লীপূন চেৎনা”** হায়না মিংথোনবা শৈরেংগী লাইরিক অসি অইবা কনাগী লাইরিক্নো? **:- অইবা - মেছিন্নরি থোইবা, অহানবা ফোংবা - সেপ্টেম্বর ২০১৫।**

৫) **‘সাহিত্য করিনো খঙদনা ইথোকপনা হাল্লুরে, অদুবু সাহিত্য করিনো খঙলকপদদি মহাক্কী পাক চাওরবা ঈপাক্তা ঐ ঈরাক্লরে...”** ৱাহৈ পরেং মতেক অসি রেদিও সেরিয়েল প্লে অমগী ফোংখ্রবা লাইরিক্কী ৱাহৌদোক্তা য়াওবনি। অইবা অসি কনানো? লাইরিক্কী মমিং করি কৌবগে? **:- অইবা - নাওরোইবম হেরোজিৎ সিংহ, লাইরিক্কী মমিং - ধর্ম্মগী মিংদা ইমাগীদমক, অহানবা ফোংবা : ফেব্রুৱারি ৮, ২০০৯।**

# ষণদা থেংনবা লায়না - জৌ জৌ লাওবী

- ডা. সরাংথেম জেসমারানি -

জৌ জৌ লাওবী নৎত্রগা ব্রী ব্রী লাওবী লায়না অসি ব্ল্যাক ক্বোর্টর হায়নসু খঙনৈ। লায়না অসি ষণ, ইরোই, হামেং, য়াওশিংদা য়াম্না তোয়না থোকহল্লি। লায়না অসি ক্লোসট্রিদিয়ম চৌভাই কৌবা বেক্টেরিয়াগী মহীক মখল অমনা থোকহল্লি। থা ৪দগী ২৪ ফাওবগী মনুংদা লৈবা ষণাওদনা খ্বাইদগী হেন্না লায়না অসি মায়োক্লহল্লি। লায়না অসিনা নাখ্রবদি লায়েংবদসু ফবদা য়াম্না ৱানা থোকই।

লায়না অসি লৈবাক্তা য়াওরকপা মহীকশিংনা থোকহল্লি। মহীকশিং অসিনা শা-ষণনা চারিবা মচিঞ্জাক্তা য়াওখিদুনা লায়না অসি শন্দোরকই। লায়না অসি করিগুম্বা মফম অমদা অমুকপু থোক্তুনা শা-ষণ শিবা-নাবা য়াওখ্রবদি হায়রিবা অশিবদু নীংথিজনা ফুমজিন্দদুনা মফম অমদা হেক্তা হুন্দোক্তুনা থল্লবদি অশিবা মশা অদুগী শরূ শয়াং অমদি শাদোং মচেৎ কয়া অমা হুই, হৌদোং অমদি লমলক্কী শা উচেকশিংনা চেন্দুনা মফম অমদা থল্লম্বা মতমদা হায়রিবা লায়না অসিগী মহীকশিং মশীং য়াম্না অশিবা মশাদা য়ালবনা অতোপ্পা মফমশিংদা শন্দোরকই। মহীকশিংসি মফমদুগী লৈবাক, উফুল-ৱাইফুলদা অমদি নাপী-শিংবী মরক্তা মশা মতোমতা অথাবা মকু অমনা য়োমশিন্দুনা অঙৈং-অশাদগী ঙাকথোক্তুনা মতম শাংনা হিংদুনা লৈবা ঙম্মী। কুমগী নোং তাখিবদগী মহীকশিংসি ঈশিংগী ঈচেলদা মফম অমদগী অমদা পুথোরকপা মতমদা শা-ষণশিংগী ঈশিং নৎত্রগা নাপীনচিংবদা য়াওরক্তুনা চাশিল্লুবদা হায়রিবা মহীকশিং অসি নাদ্রিবা শা-ষণদা চঙখি। লোয়ননা মতম খরা লৈরগা লায়না অসি শন্দোরকই। করিগুম্বা শা-ষণগী হকচাং মনুংদা য়াওদুনা অদুম লৈরগা মখোয়না মশা শোল্লকপা মতমদা মশানা মশাবু ঙাকথোক্লবা শক্তি হন্থরকপদগী নৎত্রগা মশা শোন্থরকপদগী মশাদা য়াওরিবা মহীকশিংসি মপূং ফাদুনা লায়না অসি থোরকপা য়াই।



লায়না অসিবু থোকহল্লিবা মহীকশিং অসিনা মচা য়াম্না পোক্লকপা মতমদুদা মশীং য়াল্লবা মহীকশিংনা মশাদগী চেনবা টোকসিন ময়াম অমা থোকহন্দুনা মপূং ফাবা লায়না থোকহল্লি অমদি লাইওং উবা ফংলকই। লায়না অসি নারবা শা-ষণদি মশা শাগৎলকই, শাবগী চাংসি ১০৬-১০৮°এফ ফাওবা য়ৌই। চাও-থকউ হায়বা য়ারক্তে। খুমাঙ নৎত্রগা খুনীং থংবা খোঙশিং য়াম্না নাবগী মওংদা থাংবা ঙমদনা লেপ্তুনা লৈবা অমদি চৎপা ঙমদবা উরকই। মফৈগনগী অথাবা মশল নৎত্রগা মথবাক, মখৌরি অমদি লেংজুমগী মসলশিংদা পোমখৎলকপা, অহানবদা পায়বা মতমদা ফোঙ-ফোঙ শাবা অমদি তিংনা পোমখৎলকপা থেংনৈ। পুং ৪-৫গী মতুংদা পায়বদা ঈং-ঈং লাওরকই। খুবীনা নমদুনা য়েংবা মতমদা মসলশিংগী মরক্তা নুংশিৎ চেনবগী মওংদা ট্রিক ট্রিক হায়বা মখোল থোকপা থেংনগনি। হায়রিবা পোমখৎলিবা মখোল থোকপা মফম অদুদা অথৌবা ব্লেদনা লেনবা মতমদা ঈ অমদি নুংশিৎকী কোঙ্গোল য়াম্না ব্রী ব্রী থোরকপা উগনি। হায়রিবা নারবা শা-ষণশিংদু শ্বর হোনবদা য়াম্না ৱানা উবা অমদি তুদুনা ৱানা শ্বর থবেৎ থবেৎ হোল্লম্লগা য়াম্না থুনা শিরকপা অসি তোয়না উবা থেংনগনি।

অদুমকপু লায়না অসিনা নারবদি য়াল্লবদা নুমিৎ ২-৩ লৈরম্লগা অপোম্বা মফমশিংদু লোইনা পুল্লক্তুনা নমথীবা মহী, অপূম্বা নাইনচিংবা য়াম্না থোকপা অমদি মশাগী অঙৈং-অশাগী চাং য়াম্না হন্থনা ৱানা লৈরম্লগা তপ্না অদুমক শিরকই। অদুমকপু হীদাক লাংথক য়াম্না কন্না থাদুনা কন্ননবা হোৎনবদগী ফরকপা শা-ষণদু পোল্লম্বা অথাবা মসলশিংদু ইকুৎ কুৎনা, য়েংবদা শোইনাইবা অমদি থবক শুবদা মপাঙ্গল ৱাৎপা ওইগল্লি অদুমকপু লায়নাসি হৌরগা পুংজা খরা থেংথনা থেংনরবদি অয়াম্বনা হীদাক থাদ্রিভৈঁদা শিগল্লি।

লায়না অসি হেক হৌরকপগা অখঙ অহৈগা তান্নদুনা য়াম্না থুনা লায়েংবীরবদি খরা কান্নবা ফংবা য়াই। অদুবু পুং খরা থেংথখ্রবদি কনবদা ৱানা থোকই। লায়না অসিদগী ঙাকথোক্লবা খ্বাইদগী ফরবা পাম্বৈদি লায়না লাক্ত্রিভৈঁদা টিকা থাদোকপসিনি। ষণাও মচা থা ৬ হেক ফারকপগা অহানবদা টিকা থাদোকপীগনি। মসিগী মতুং থা ৬ লৈরগা অমুক হন্না টিকা কাপ্পীগনি। টিকাশিংসি মনাক নকপা ভেটিরিনরি হোস্পিটালদা ফংবীগনি। হায়রিবা টিকাসি চহীগী ওইনা নোংজু থা লাক্ত্রিভৈঁদা থাদোকপীগনি। নাদুনা শিখ্রবা শা-ষণ খুদিংমক লায়না অসি শন্দোরক্তনবা নীংথিনা ফুম্বীগনি। মসিদা মৈ থাদোকপসু খ্বাইদগী হেন্না ফৈ। মফম-মরাং খঙদনা লংথোকপীরোইদবনি। অনাবা শা-ষণদগী থোরকপা অপোম্বগী মহী-মনাই, মথি-ময়ুং পুম্নমক শেংনা শিত্তোক চামথোকপীদুনা মহীকশিংদু অতোপ্পা নাদ্রিবা শা-ষণদা শন্দোকখিদনবা হোৎনবীগনি।

পাউচে অসিদা ফোংজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।